### মতম মতমগী ৱাফম

# পূক্লিং মপাউ

ৱারেং ইবদা খ্বাইদগী মশীং য়ামখিবা মাঙলমচৎকী মৈতৈ অইবশিংগী মরক্তা খ্বাইরাকপম চাউবা অমনি। খ্বাইরাকপম চাউবনা ইবীরম্বা ৱারেংশিংগী মনুংদা “তম্বা” হায়বা ৱারেং অমা লৈরি। মহাক্না হায়- “ মীওইববুদি চাউরবা মকোক অমা পানবিদুনা লম্ফাংলবা তেংবানবদা থাদোকপীরম্লে। মীওইবগী মখুত্তা অথৌবা খুজিন পান্দে, ময়া অথৌবা লৈতে, অয়াংবা মখোং পীনবিরমদে। মহাক্কী পাক চাউরবা থোপ অদু নত্তনা মাগী পান্বে অমা লৈতে। জীব অতৈগীদি লম্বী অমতনি,শোঙ্গবা নাইদে অদুগা মীওইবগীদি লম্ফাংনি, লম্বেল তরা চৎকদবনি। তেংবানবা পূম্নমক অসি মহাক্কী স্কুলনি পোকপগা ভর্ত্তি ওইরবনি। মরম অসিনা তম্বা হাঙ্গবসি মীওইবনা পোল্লবদি থাদোকপা য়াবা নত্তে ।” মীওইবা ওইনা পোল্লবদি তম্বা হায়বসি থাদোকপা য়াদে। ‘তম্বা’ হায়বসি পোকপদগীনা হেক থৱায়গা হকচাংগা থাদোক্লদ্রিবা ফাওবা তমদুনা লৈগনি হায়বা ৱাফমসি খ্বাইরাকপম চাউবনা মহাক্কী “তম্বা” হায়বা ৱারেং অসিদা কূপ্না নৈনবীরম্মী। ৱারেং অসি পারা পারগা ৱারেং অসিদগী তম্নিংঙাই, লৌশিন্নিংঙাই য়াম্না লৈরকই।

হন্দক ওঝা লাইরেনলাকপম সরত, লিলোং চজিংদা লৈবীবা ওঝা অসি থেংনজরুবা অমদি ওঝাগী ফোঙখিবা লাইরিক ‘ডাক্তর কমলঃ পূন্সি অমসুং মঙলান’ মিংথোনবা ৱারেং লাইরিক অসি পারুবদগী খ্বাইরাকপম চাউবগী ৱারেং ‘তম্বা’ হায়বসি নৌহৌননা নীংশিংলকখিবনি। খ্বাইরাকপম চাউবনা মীওইবগী তম্ফমসি মহৈশঙ অহুমনি হায়না মহাক্কী ৱারেংদা কূপ্না পল্লি। ঐখোয়না পূন্সিগা মরী লৈননা তম্বা হৌগদৌরিবাসি- অহানবা তম্ফম্না মমা-মপা, মচিন-মনাও অমদি ইমুং-মনুংদগী ওইরি। অনীশুবা তম্ফম্না, স্কুল কাদুনা ওঝাশিংগী মফমদগীনি, অহুমশুবা তমফম্না তেংবানবগী মশক ওইরবা তম্ফমদনি হায়বীরি। ৱাফমসিগা মরী লৈননা ঐনা পূক্লিংদা ফাওজরক্লিবসি অনীশুবা তম্ফম ওঝাশিং হায়বা অমা য়াওরিবসিদা ওঝা শরতকী মফমদগীসু তমজনফম অমা লৈরে হায়বসিনি।

ঐখোয় মীওইবসি কাওবা নাই। ৱাখল অমা খল্লগা য়ূম হল্লকপদা য়ূমগী মপা হেন্দোকখিবা করিগুম্বদা য়াওখি। ৱাখল অমা খল্লগা থবক অমা চৎপদা লম্বীদা চৎপা মী উখিদসু লৈখি। মসি লায়না অমদি নত্তে। ‘য়াচংলকপদা নোংঙানবা’ হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা লাইরেনলাকপম ওঝা সরত, লিলোং চজিংদা লৈবীবা অসিনা ইদুনা মার্চ ৩০,২০১৯ অসিদা মীয়ামদা লইরিক ওইনা ফোঙদোকপীদুনা পাবা ফংহনবা হৌখ্রে। ‘য়াচংলকপদা নোংঙানবা’ মিংথোনসি হেক তাবদা কক্ লাওনা পল্লি। ৱাখল অমা খলহল্লি। মমিংসিবু চুম্বজাৎলা ? লৈখিদ্রবা ওঝা দিনমণিনগা হায়বদা পকচগদবা মিংথোলনি খঞ্জে । খর তপ্না পারগা অমুক য়েংঙি। ‘ য়াচংলকপদা নোঙানবা ’ ময়েক শেংনা অইবনা হায়রে হায়বসি চুম্লে। ইতোমতা মনিং মমাং ওন্থোক্লগা অমুক য়েংজৈ ‘নোংঙাল্লকপদা য়াচংবা’ হায়বা য়াব্রা ? য়াদবদি লৈতে অনীমক অমমম্নি। মণিপুরী সিনেমা অমম্বসু অঙানবনি হায়না মিংথোনবা অমসু লৈখি। পোৎ খূদিংমক্কী মিংথোনশিংসি তরাই তরাইনা থোনবদি ওইররোই। ৱাংঙুলোন অমমম নুংদা লোয়নরি। মূন্না খল্লগা, তপ্না তিন য়োৎথরগা পাবা অমা চংঙি। মিংথোনসিগী ৱাহন্থোকসি করিনো ? ৱাহংসিগী পাউখুম ইথন্তা থিজখি। কৈথেনদা পোৎয়োনবী ইমাশিংনা য়ূম কূমলমদাইদা পোৎ হোঙনা মীঙোন্দা থাদোক্লম্বা, য়োন্থোকপসু য়াওনৈ। তাইবং কৈথেনদা কারক্লিবা মীওইবগী পূন্সিনি। কৈথেন কুমলমদাইগী পোৎয়োনবীগী পূন্সি অইবনা নীংশিংলুব্রা?



কৈথেন্দগী হল্লকলমদাইদা পোৎ তিকশিল্লুবদি তৌনদে।

লাইরিক মশীং য়াম্না ইবা ঙাক্তনা অইবা নত্তে হায়নৈ। লাইরেনলাকপম ওঝা সরত অইবনি। মমাঙদা লাইরিক অহুমলোমসু তাঙনা ফোঙখ্রে । য়াম্না তাঙনা মচং ওইবা পূন্সি ৱারীগী লাইরিক ইদুনা হন্দক অমুক ফোঙবীরক্লি। হন্দক্কী লাইরিকসিমদি ওঝা মশামক্কী পূন্সি ৱারীনি, লন্না লন্না লেংবা লৈ পরেংনি। ‘ডাক্তর কমলঃ পূন্সি অমসুং মঙলান’ হায়বা ওঝাগী রিছার্চ ওরিয়েন্টেট ওইবা ডাক্তর কমলগী পূন্সি ৱারীদা শাগৎখিবা লাইরিক অদুগুম্বনি। ওঝা ইশাগী পূন্সি ৱারী মশানা ইজবা ওইরগসু কাচিন কোয়া য়ৌনা ইখিবা অদুমক্তি ওইদব্রা খঞ্জে। চহী হুম্ফু হেল্লবা পূন্সিগী ৱারীবু, চেনা খরদা নীংশিংলগা ইদুনা লোইশিনবা য়ারোই । মতম চঙগনি অদুবু য়াম্না মরুওইবনি হায়না খনবীবা থৌদোক খরদি অইবনা ময়েক শেংনা নীংশিংদুনা লৌখৎপিরি।

লাইরিক্কী মিংথোন্দা কুইনা মংলাক্লবা য়াদে । মীকপ থোক্লবা থুনমক হোৎনখি। মিৎ পাংথোকপদা ময়েক শেংনা উরকই, ওঝা লাইরেনলাকপম সরতকী হৌরকপা পূন্সি, পূন্সিগী ময়াই চল্লকপা অমদি হৌজিক্কী পূন্সিগী মশক মহাক্কী লাইরিকসিদা পৌরপ্না য়েকলকই। ওঝা সরতকী লাইরিকসি নীংশিংলগা ইবনি অদুনা স্পেস এন্দ টাইমসি কোইথাং থাংঙি, জম্প কট তৌই । ৱারী হৌরকপদা অৱাবনা হৌই। মসিনা ওইবা তাই য়াচঙলকপদা নোংঙনবগী অহানবা মরম অমা । অৱাবা ৱারীসি অতৈনা লীবীরমদে ওঝানা নুংশিনা ‘ইমা’ হায়না কৌজখিবা ওঝাগী হেক অবোকমক্না লীবীরমখিবনি হায়না পনবীরি। লাইরিক অসিদা মীঙ্গৌ খরা ওঝানা ঙল্লিঙৈদা অপোকপদা ‘পাবুং’ কৌজবা, মপুবোক্তনা ‘পাজি’ অদুগা য়োকচবী অবোক্তনা ‘ইমা’ হায়না অইবনা শীজিন্নরি। হৈনখিবা অঙাং ওইরিঙৈগী মিঙ্গৌনি। মসিসু য়াচংলকপদা নীংশিংলকপনি। অঙাংনা মিঙ্গৌ কৌবসিদি পংকৌ কৌনৈ। অপোকপী মমানা কৌবা মফমদা অদুম কৌশিনবা ঐখোয়সু তৌরকই। ইমাসি বিনোদিনিনা হায়বীরম্বদা ইমাসি মশামকসু মাবু য়োকচবীদা ‘মপী’দা ইমা কৌই হায়না তাকপীরম্মী। ময়াম্না লাল্লি কৈসু হায়নখিদে । চাওরগা শেমদোক্লখিবা ঙাক্তনি।

ওঝা সরত থবক অমা তৌরকপদা ৱা পেৎপদি নত্তে য়াম্না কুপচৈ। চাবদসু কূপ্না শায়জবা মীশক্লি। কূপ্না শায়বা চুম্মী। অনম কল্লি, ফংগে খঙগে হায়না নীংখ্রগদি লমওক্কুম্বনি চুমদ্রিং মপা চূম্না মদু ফংদ্রিবা ফাওবা তানবা মীশক্লি। মসিমক্না ওঝানা নীংজবা খরদি মপূং ফানা মায়পাক্না পাঙথোকপা ঙমখিবনি হায়বসি ঐনা হায়জনিংঙি। শৈরেং অমখক নীংশিংঙি অইবদি কাওরে- ‘..বি জষ্ট এন্দ ফিয়ার নোত, লেদ ওল দ ইন্দস দাউ এমেষ্ট এদ বি দাই কন্ত্রি...’ । চুমদা চুম্মু, অচূম্বগীদমক অকীবা পোক্কনু, নঙনা তৌরিবা থবক খুদিংমক নরৈবাক্কী খল্লু..। ওঝা সরত মাইকৈ শোমদা চঙশিনবা অইবনি হায়জনিংঙি।

অৱাবা মচা লেমনা মাঙদে। ওঝা সরত করম্না হৌরকখি, করম্বা পূন্সি মহীং অমদা হিংলি হায়বসি ‘য়াচংলকপদা নোংঙানবা’লাইরিক অসিদা নুংশিনা নীংশিংদুনা ইরি। ওঝাগী পূন্সি ৱারীনি মশানা ইজবনি। চিৎথ-নান্থহৌবদি কোঙ্গাই লৈরমগনি। থৌওইনা হাপ্তবসু য়াওবীরমগনি। তাঙ্কক তরুকখক থোক্না খায়দোক্লগা ইবনি । তাঙ্ককশিংগী মনুংদা অনীশুবা তাঙ্কক হিংনবগী লম্বীদা, মঙাশুবা তাঙ্কক-হৌরকফমদুদা অনী অসিদগী ঐনা পারা অমা অমুক ওঝাগী মফমদগী তম্নিংবা ফাওখিবা লৈখি। হিংবসি মরুনি হিংননবা হোৎনবসিনা থৱায়নি। থৱায়না হিংনবা হোৎনরকপদনি পূন্সিগী লান ময়াম অমা মাঙদা লৈরমদুনা থেংনরক্কদৌরিবসি। পাঙ্গলনা থেংনবা য়াদবা লান্নি। খল্লুরগদি কিনিংঙাইনি। ওঝা সরত কিখিদে মায়োক্লে। মসিনি ওঝাদগী অমুক তমগদৌরিবসি ।

পূন্সিগী খোঙচৎনি। পোত্থাবা য়াদে। চৎপা তায়, য়েংলুবা তায় । ওঝা সরত চৎপা কল্লি, চীংনুং মনুং য়ৌদবা লৈখিদে । এদভেনচরনি, নীংখিবদা তন্দবা কিদবা অসিমসু তম্নিংঙাই ওইরি। জৱাহরলাল নেহরুনা ডিস্কোভরি ইন্দিয়া পুথোকখিবদু চৎখিবা, য়ৌখিবা কয়া অদুনা খঙখিবনি, পুথোকপা ঙমখিবনি। ওঝা সরতসু দিস্কোভরি তৌখি। ফংখি ডা.কমলগী অকুপ্পা কয়া অদুনা লাইরিক ইখি। থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা হৌজিক্তি ৱাখল হোংলকই। হৌখিবা কয়া নীংশিংলকই। পূন্সিবু নুংশিরকই। মসিদনি অইবা অমা ওইনা নুংশিৎ অমুক কাঙবা হৌরক্তুনা খোর্জ্জে পায়খৎলক্লিবসি। চহী য়ামখৎলকই খন্দুনা নুংশা থিবা, পাখৎপা পোকলকই। মতম চঙনা ৱাখল থাদরগা ইখিবা মমুল ফারবা ‘ডা কমলগী পূন্সি অমসুং মঙলান’ হায়বা লাইরিক অদুগুম্না পুথোক্লবা হোৎনবদা নোংঙানবনা হানখিগনি হায়বগী পাখৎচনা পূন্সি ৱারীগী লাইরিকসি য়াচঙলপদা ইবনি হায়না অইবনা ৱাজখি। পরিক্ষাদা পুং তাদৌরে হায়না ইবা অদুগা হায়রপ নকশিন্নরকপগুম্না তৌই।

উজরিবা ওজাগী পূন্সি মহীং, পোত্থাফম ওইরিবা খোঙুউপ য়োনফম দুকান্দা ৱারী মখা হংলুবা তাবনি। মতমদি লৈত্রে পাংথোক্কদবা থবকসি য়াম্না লৈরম্মী। মালেমগী খোঙচৎসি থুবগুম খল্লকই। নোংঙানখিবা কুইদ্রিঙৈদা নুমিৎ তাশিল্লকপসি ওইরম্মী অইবনা ৱাজরিবসি। পূন্সি ৱারীগী লাইরিক লমদমসিদা তাঙলি। অতম্নগা খল্লগা ইবা মীসু তাঙলি। অতাঙবা মরক্তা তাঙনা পুথোকপীরক্লিবা ওঝাবু থাগৎচনিংই। ওঝাগী ঙল্লিঙৈ পূন্সিগী ৱারী, লাইরিক অসি পারগা পূন্সিগী মহাউ অমদি খঙমিন্নরগনি।

*-মাখোনমনি মোংসাবা*

# পোমশাৎনবী লৈরাং

নুপীমচাশিংনা ইনখৎলকপসি, লৈশাবী মচা ফারকপসি ৱানা ফাজরকখ্রবজাৎনি। ৱানা হায়দি নুংঙাইতবগী ৱা নত্তবা। থওইনা নুপী মান্নবা হোৎনজবসিগী ৱানি। লৈহিনা থল্লবা লৈরাংনি খঙজদনা মহৌশাদা খুৎশেম থেৎচিনবিনবা হোৎনবা অমা কন্না য়াওরি। নুপা নহানা কুরাংপান হুৎনা য়েংলকপা খঙলসু খঙশিন্নদনা হরাওজবনা শাৎকাইরিবনি। শাৎকাইমিন্নরিবনি মরিং মরাং । হকচাং কয়াৎনা ময়োল চোংদুনা মরোল লোল্লকপা, নিংঙাই তৌরকপা ফিজি ফিনাদা ঙাথু থেংথুদুনা কেকু লোৎপী শান্নরকপা নুপী ওইবীগী ফিরেপ তানখৎলকপসিগা ইরোইননা মচৎতা মঙাঙদা হান্নদৈ থৈরকই। মরৈ কোন্দুনা ৱা ঙাঙই। কেজবগা নৌজবগা অমনা হেন্দে অমনা ৱাত্তে। খঙহৌদনা নুপী ওইরকপসি ফনা মনুংঙাই। নহালমখৈ নুপী হায়বীদো ইওই ওইরক্তদৌনা শুংওই ওইরক্তদৌনা। মসিনি শান্তিমচা হায়বীসে।

শান্তিমচাহোয়গী লৈকাইসিদা লুহোংবা য়ারবী লৈশাবী চবুল অমা লৈশাৎ তন্লি। কোল্লুপসি লৈশাবীমচাশিংগী লৈকোলনি। চহী লেঙ্গা ঙাক্তে লৈশাবীশিংনি। ময়ামসিগী মরক্তা শান্তিমচা মথন্দনি তোংঙান তারিবসি। শান্তিমচা - মাই মমিং নত্তে। অশেংবদি শান্তিরানী কৌবনি। মপুং ফারবী ময়ামদুই মরক্তা চহী ১৩ মপুং ফাদ্রিবী অমত্তং ফৌয়ান য়ানজবসিদা পিক্লি, নুপীমচানি হায়দুনা ‘মচা’ হায়বা মিংথোলসি মমিংদা থেৎপীখিবসি কনানা থেৎপীখিবনো হায়সি ঙসি খঙনদ্রে। নহাসু অহলসু পূম্নমক্না ‘শান্তিমচা’ হায়না কৌনৈ। চহী ১২ হেল্লকপা অদুৱাইদৈদি জর জর ইনখৎলক্তুনা মরেপকা মঙালগা য়েংনবদা মঙালনা খরা লুমতক তৌনা লৈশাবী চবুলদুই মরক্তা য়াওই। কাহেন্না ফজবীদি নত্তে। মীওইদি শুই। লম ঙাল্লি। খৎপা পকচৈ। ঙাঙথোরকপদা রাশী য়াওই। লৈশাবীশিংদু মানা ইচে অমমম হাপ্তুনা মমিংগা পুন্না কৌই। ইচে বিনো, ইচে নলিনী-য়াম্মী। ইচে মাপলনি শান্তিমচাই।

লৈশাবীশিংদুদি পুরা লৈশারে। মপুং মরৈ ফারে। নর্স ওইবা ওঝা ওইবা মানা মানা থোকপা থবক ইনখাং লোইনা তৌনরে। লৈশাবী ময়ামদুই মখোয় মশেলতনা খঙনবা লোন পিক্লিঙৈদে ময়ামদুগা লোন্দিন্ননা তিন্নরক্লবনিনা শান্তিমচা খঙই। কোল্লুপ্তুদা মাগা হৌমিন কামিন্নবা মমান্নবী অমতা লৈতে। অদুনা লৈশাবীশিংদুনা তৌরিমখৈ মাসু য়াওই। নোক্লে নোকই, চৎলে চৎলি। মখোয়গী মতুং ইন্দুনা অহিং ফনা থেংবফাও থাবল তপ তাবমখৈ চোংবা য়াওই। মাই মাই খঙন-চান্নবা পাখংশিংগা ৱারী শান্নবা মা তায়। অর্থ খঙই। মাসু তাঞ্জা চাবদা য়াওফাও য়াওশিল্লি। নুংশিৎকী মাইকৈ য়েংনা করিগী লৈরাং শাৎলোইদগে? অদুনা লৈশাবী মচা শোইনৌদো মরক মরক্তা মপুং ফারবীগুম্না ৱা ঙাঙই। অঙাং মতিক নত্তনা লিখৎলি। য়েনিংথা নৌতক কাং কারক্লে।

অমা হোংঙখি অনী হোংঙখি তৌদুনা লৈশাবীশিংদো মহৈ মহৈ ময়ুম পান্নখ্রে। ইকান কান্নদনা চহীমুক্কী মনুংদা কোল্লুপতো ইতাক তাকহৌরে। য়ুম্বানদ্রিবী উন্নংদ্রিবীশিংগী মীনোক্কী খোন্থাং য়ৈদ্রে। খোইমু অমতসু পাইরদ্রে। শান্তিমচা মথন্তা তরক তরক তাহৌরে।

থা তরুকমুক্কী মতুংদা নোংমদি শান্তিমচাদো স্কুল কাখিবদগী হল্লক্ত্রে । নৌরিবনিনা ফত্ত নুংদা থোক্কনি অহানবদদি খন্নরমদে। থেংজিল্লক্লবা মমশিল্লক্লবা মতমদদি মপা মমাদু লৈবা য়ারক্ত্রে। পুলিস তাক্তুনা থিনবা খন্নবা হৌরক্লে। মমানা মচি মচিদা লেপ্পা হৌরক্লে।

তুমিন্না মাঙলুবদু নুমিদাংৱাইরম পুং ৮ কা তাবা অদুৱাইদা মথন্দা অমুক শোৎ শোৎ লাক্লে। ঙাইহাক খ্বাই মাঙলুরগা রিক্সো তোংদুনা মথন্তা ফুৎ হল্লক্লে। মরূ লুকথদুনা ময়ূমদা চুমদ্রিং মখোং শেক্কৌ শেক্কৌ চংখি।

শান্তিমচাদু মচেশিং ময়ামদু লৈরিঙৈদা কোয়বা লাক্লম্বা নুপা অমগা তপ তাবমখৈ কোয়রুরে। ঙাইহাক চেল্লুরে। নুপাদু নুপী থিরম্লগা খাইনখ্রবা নুপানি। মচে বিনোবু য়াম্না পামজবনি। বিনোনদি সুংয়া য়াদবা। মতৌ য়েংবা নুংঙাইতদুনা নোংফাদোক শান্তিমচানা মচে বিনোদা ফাগী তৌরুফাও লৈখ্রবনি। মী মচাসি মতৌ য়েংবদা ৱারেকো। ফাগী তৌবদনি। চান্নবা ৱানোম্বমক্তি তৌরুদে। মীগী থম্মোয় মশক খঙই শান্তিমচা।

কৈগীনো চেনবমখৈ চেল্লুরগা শান্তিমচাদু খঙতন তন্থরকই। কপসু য়াম্না কপ্নিংই। কপসু কপথোক্লুরে। চপ চাবা মরম খঙদে। হায়ফেৎ শাফেৎপদদি অসিনি। ৱাখলদতনি মানা নুংঙাইরুরিবা। নহালমখৈ মকোন শাদুনা লৈরুরিবা। অশেংবদদি তিঙ্খ্যং তুম্বৌ নেৎলি। ঈ থোকই অয়ো ইমা। খঙশাও শাওনিংলকই। পুন্সি মতেক্তু রাশী য়াওদবা ফাগী মচা অমগুম উরকই। নুপাদুদা শংত্রিক য়েংলগা হায়রম্মী, ‘ঐ চৎলে।’ লাক্লে অদুম চুমদ্রিং। খাল্লুবা য়ারোইদবা উদ্দুনা নুপাদু চপ লেপ্তুনা ৱা মচেৎ অমতা ঙাঙদনা শান্তিমচানা চৎখিবদু য়েংদুনা লৈহৌই।

মমাগা য়ুমদা নুমিদাংদা মুরুম মুরুম ঙাঙনবদৈ হায়ফেৎ কন্না ঙাঙনফাও তায়। মপানা শুমাংদা হঙ্গৎ হন্দা চৎলি। করি কায়গে। ঐ নুপা অমদা চেল্লুরগা করি ময়েক মাঙবগে। চেল্লুরে হৌজিক হল্লক্লে। সিনি। সিমঙাই কৈনো। করি কায়। খুজিৎ খুনান্থোক অমনা ফাগী মচা অমনা ঐগী পুন্সিগা ঐগী নুংশিবগা শরুবদি কদায়দৈ য়াগদগে। নোয়না ঐগীদমক ৱাবিবা ৱাবিগনু। ঐ খঙই ইশানা ইশাবু খঙই। পুন্সিবু নুংশিজৈ। লৈকা ফন্না শাৎখিনি। নুংশিবা মশক খঙখিনি। লাইয়ুম থাবদা মঙাইরি। পো কাঙদ্রি । মাঙদা পুন্সিনা শরা শন্না লৈরি।

*-কাংজম রাধাকুমার*

*(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক ‘মীৎকুপ অমতং’ দগী লৌখৎচবা)*

ৱারী ককনাউ

# তাইওন্নবা -২

হেক য়েংবদা ইপৈ পৈথরবা, তুরক্লনি হায়না অয়েংবনা পাখৎপা য়ূমনি। মখা থংবা য়েনখারোমদগী ৱা অনীনা ঙাকলৌ পীরগা লেপ্লিবা য়ূমদুগী ফক্লাংদুসু মচি-মচি শেগাইরে, মফম খরদদি কিন্থদুনা ইহো হোবসু উরে। ফক্লাংদু ৱাচেৎনা খারগা লৈবাক তৈশিনবা থায়নগী ফক্লাংদুনি।

মাঙ্গোলদগী ৱানা য়ূম্বী ওইরিবা উখোকতেন্দুদা ঙাথরগা ফীভম শোয়নাইরবা নুপা অমা ফমদুনা কপ্পী। চাউরাক্না চহী ১৮মুক শুরম্বা য়ারে। চহী য়ান্নবসু অঙাংগী মতৌগুম্না অদুম লৈরি।

“ইমা! চাক চারগে, চাক লাম্মে,” হায়রিবা ৱাদু ময়েক শেংনা তাদে। মচিন্দু ৱাদু হায়নবা হোৎনবদা ফৈনা-ফৈনা চিংলি। মমিৎতগী মপিদি লেপ্তুনা তারি। শেৎলিবা খোঙ্গ্রাও অদুসু ইশে শেগাইরে। য়েংবদা য়াম্না নুংঙাইতে। ফক্লাং ময়াদা থাবা ফক শেগাইবা অমদা লৈশাবী মচা অমসু লোংনা হিপলি। ইমুংদগী ইবেমনুংশি থোরক্লগা হিপ্পীবা নুপীমচাদুগী মমায়দা মখূৎনা থমদুনা য়েংই।

“মশাসিদি শাবা ইহন-হন্দেনে সিদি, কমাই তৌনি” তৌফম খঙদনা শুপ্পীবা ফৈজুপ্তু শেন্বীরি।

“ইবেমনুংশি!!”

মহাকপু কৌরিবদু কনানো হায়না হন্না য়েংথোরকপদা মাগী থায়নগী লৈকায়গী মমান্নবী নহান নোংমা কৈথেলদা থেংনখিবী সনাহনবী অমদি মাগী মচানুপীগা লোয়ননা শুমাংদা লেপ্তুনা লৈরম্বদু উই। ইবেমনুংশিদু মশা খ্বাই লাউবা মাল্লি। ইকায়খিবনা ৱা অমত্তা খুম্বা ঙমদে।

“ইচানুপীগা লোয়ননা নঙগী য়ূম থিরক্লিনি, নহানসু ৱারী অমত্তা শানবা ফংহৌদে” সনাহনবীনা ইকোয়-কোয়দনা ৱারী শাবা হৌই।

“কাখৎলকও, ঐ ফিদা লৌথোক্লুগে” ইমুংদা থুনা চঙখি। মমা-মচা মাঙ্গোলদা কাখৎলকই। মাঙ্গোলদু লৈবাক্না থোনবনি, ৱাই তৈবিদবদগী তরু-তনানবা হায়বদু ওইদে। ইমুংদগী ইশে শেগায়বা মোরা অমগা ফান মচা অমগা পুথোরক্তুনা থাররে। ফম্মিন্নদুনা ৱারী শানৈ। সনাহনবীগী মচানুপী ডোক্তরদুনা নাদুনা হিপ্পীবা অদু মাগী বেগতগী ষ্ঠেথোসকোপ (Stethoscope) পুথোক্তুনা য়েংলি। নুপীদুসু লৈশাবীনি হায়দু ঙাই, ময়াং কংত্রিক কংই।

“ইমা ঐ মাগী হীদাক খিত্তা লৈবিরুখিগে” থুনা থোকখি।

থোঙ্গালদা খাল্লম্বা কারদু তোংলগা মমায় লৈদুনা থৌদোকখি।

“য়ূমগী মী অমত্তনা য়েংলদ্রবরা?”

“য়েক থোক্লবা অমদা য়ূম পাল্লি হায়দুনা ঐবু হন্না য়েংলখিদ্রে, ঐনসু মখোয়দা নোংমতা করিসু হায়রুদ্রে। য়ূমদুসু ইমা পাবুং লৈখিদ্রবা মতুংদগীদি হান্নগী ফীভমদু নৎত্রে, য়াম্না হন্থখ্রে, ঐসু নোংমতা চঙলুদ্রেদা ”

“নঙনা অসুম্না লৈরম্বসি ঐ য়াম্না নুংঙাইখিদে। নঙগী পাউসু অমত্তা তাখিদ্রে। লাইনা চানবীদুনা নহান কৈথেলদা থেংনবদুদা ঐনা ইচাদসু, মপাদসু পাউ তম্বনি। মখোয়নসু অঙম্বা মতেং পাংবিসি হায়দুনা লাক্লিবনি। নঙ কৈমতা খনগনুকো”

“ঐগীনি হায়না হন্না য়েংবদা কনাসু উদ্রবদা অসুম্না ঐঙোন্দা হায়বিরবসি ঐ পূক্লিং য়াম্না নুংশি”

ইবেমনুংশি হন্দক্তি মখোল থোক্না কপথোরক্লে।

“সে কপকনু, করি তৌসিগে, দুকান ফমগেরা, ফি শাগেরা নঙনা তৌনীংবা অমা হায়ু, অদুগা য়ূমসে হয়েংদগী ঐ মী থারক্লগে শেমজিলহনসি, ইতা নঙনা মতম অমা ঐনা খম থেংনা ৱারবা মতমদা পাংখিবা মতেং ময়ামশিং অদু ঐগী পুন্সিসিনা হেক লৈরিমখৈ শিংবা ঙম্লরোইদবনি।”

“সনাহনবী, ঐবু করি হায়ু হায়বনো?”

“নঙনা অপাম্বা অমা অদুম হায়ু, ঐখোয়গী প্লোট বজারদা লৈ, দুকান অমা হৌজিক হাংদুনা লৈ। অদুদা পোৎ য়োনগে হায়রসু য়োল্লু, অচঙবা খুদিংমক ঐনা পুথোক্কনি। চঙনীংবা চঙসনু, ঐনা লোইনা মতেং পাংগনি।”

মতমসিদা সনাহনবীগী মচানুপীদু গাড়ী থৌজিল্লকই। থুনা কুমথরক্লগা, হীদাক পায়দুনা চঙলকই।

“ইমা ঈশিং খিতা পীয়ু, হীদাকসি থুনা অমুক্তা পীজসি, নাতৈ চারোইদবা লৈরগদি হৌজিকমক হোস্পিটালদা পুনবা তৌসি।”

ইবেমনুংশি ইমুংদা চঙখিদুনা ঈশিং লৌথোক্লুই। ঙসিদা মমা-মচা লাক্লগা তৌরিবা ময়ামদু উবদা, ইঙক-ঙক্লরে। লাই অমা লাক্তুনা মাগী মতেং পাংলবগা চপ মান্নখ্রে। নুমিত্তো য়াম্না নুংঙাইবা নুমিৎ অমা ওইখি। সনাহনবীনা গাড়ীদু অমুক দ্রাইভরদা থৌহল্লগা চেঙ বেগ অনী, ঙা, অতৈ মথৌ তাবা পূম্নমক লৈরুদুনা চাক থোংলগা হাওনা চামিন্নখি।

*- নরেন্দ্র নিঙোম্বা*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৩

১। মৈতৈ লৈবাক্তা মী অমা শিবদা অঙাংমক নৎত্রবদি মৈ থাদুনা পোৎলোইবা কুইরবদগী চৎনরকই, ঙসিসু চৎনরি।
(ক) চৎনবী অসিগী মমাঙদা মৈতৈ লৈবাক্তা পোৎলোইবা মখল কয়া লৈরম্বগে?
(খ) করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তগী মৈ থাবখক্তা চৎনরকখিবগে?
২। “ফৌশু ঈশৈ শক্লি/আদগী চীংদোন অসিদনি।” পরেং অনী অসি জননেতা ইরাবতনা ইরম্বা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।
৩। “ঐখোয়না কপ্লি/ঐখোয়গী পুন্সিগী থোঙজিন্দা/নোংজুথানা কৌনরুবা য়াওদনা লেপ্লবা খুদিংদা।” পরেং অহুম অসিনা ‘লোক্তাক পাৎকী ফূম’ কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। কবি অদুগী মমিং হায়য়ু।
৪। “ঙাইবু ঙাইরবদি মতমসিসু হৌদেদকো, প্রেমিলানা খল্লি।” পরেং অসিনা ‘হৌদোং তুরেল কুমদবী’ কৌবা ৱারীমচাদুগী অহানবা পরেংনি। অইবী অদু কনানো?
৫। “ইচা ইশুগীদমক/হুনবা লোইদ্রি/পামলৌগী লৌবুক্তা/সনা ফৌগী মরূশিং।” পরেংশিংসিনা ‘য়াচঙবা নঙ হল্লো’ কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। মপানগী অইবী অদুগী মমিং হায়য়ু।

*মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল* **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** *সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯২গী পাউখুম

১। মৈতৈ পুৱারীগা শাগোন্নবা তুরেল অমতং হায়বা তারবদি ‘চন্দ্রনদী’ তুরেল অসিসু অমনি। পানা মরি থোক্তুনা থা অনী চঙনা তৌখিবা তুরেলনি।
(ক) করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তা তৌখিবনো? : মৈদিংঙু চিংথংখোম্বা।
(খ) করম্বা পানাগী শরুক্না হান্না লোইশিনখিবগে? : নহারুপ পানা।
২। “নহাকসু কপ্পা, ঐহাকসু কপ্পা/কৌব্রুসু কপ্পা।” পরেং অনী অসিদা পল্লিবা কপমিন্নরিবা কবি অসি কনানো? : এলাংবম নীলকান্ত।
৩। “ঈপাকসিদগী কোঙ্গোল পূম্নমক তাকখ্রবদি/লাই অসিগী মমল কনানা হুল্লগনি।” পরেং অনীসিদা অচৌবা ৱাহং অমা হংলিবা কবি অসিনা কনানো? : দোনেশ্বর কোন্সম।
৪। “খুল অমা লৈ/নোংমৈ গুল্লিগী মখোন্দা নাচুংদ্রবা।’ পরেং অনী অসিনা ‘দিৱালীগী মৈরা পরেং’ কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো? : চোংথাম ওংবী সুবদনী দেবী।
৫। “স্বর্গদগী ছুটি লৌদুনা/নোরোক্কী নারক ফাওদুনা/ঐ লাই নীংবা চৎলে।” ৱাহৈশিং অসিনা চীংলোন ৱাংমদগী ঈগী মরী কবি অমনা লাউরকপনি। মহাক অদু কনানো? : শোনী।

ক্যুইজ নম্বর ৯২গী পাউখুম অহুম ফানা চুম্বা অমত্তা য়াওদবনা ক্যুইজ অসিগী মনা থমজদ্রে।

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।*